# পাক–মীখল নিয়ম চুন্না পাঙথোকখিদে আর্মিনা ইম্রান খানদা ঙাক্লৌ পীখি ঃ য়ুনিয়ন মিনিষ্টর



***ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৭ ঃ***
পাকিস্তানদা পাঙথোকখিবা জেনরেল ইলেক্সনশিং অদুদা অরানবশিং তৌখি, নিয়ম চুন্না পাঙথোকখিদে, ইলেক্সন অদুদা মাই পাকখ্রবা পাকিস্তান টেহরীক–ই–ইনসাফ (পি টি আই) গী লুচিংবা ইম্রান খাননা মায় পাকখিবা অদু আর্মিগী ঙাক্লৌ ফংখি হায়না ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর আর কে সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিস্তানগী মীখল অদু রিগ্লিং তৌখি অমসুং করিগুম্বা পাকিস্তান টেহরীক–ই–ইনসাফ (পি টি আই) গী লুচিংবা ইম্রান খাননা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপা তারবদি ইন্দিয়াদা ইস্লামাবাদনা চথরিবা য়েংথিবগী পোলিসি অসি অহোংবা পুরক্তবা য়ারোই হায়না য়ূমথংনবা লৈবাক্তা ওইরক্লিবা মীখলগী ফিভমদা অহানবা ওফিসিয়েল ওইবা ৱারোল ফোঙদোকপদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর আর কে সিংহনা হায়খ্রে।

মহাক্না হায়খি, মিষ্টর খান পাকিস্তানগী আর্মিনা শৌগৎখি। ক্রিকেটরদগী পোলিটিসিয়ান ওনখিবা অসিনা ইন্দিয়াগা মরী লৈনবা হীরমশিং য়াওনা মিলিটরিগী পোলিসিশিং অদু মখা চত্থরবা য়াই। পাকিস্তানগী মীখলগী ফল অসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সতগী হৌজিক ফাওবা ৱারোল অমত্তা ফোঙদোক্লক্ত্রি।

হেক হৌবদগী মহাকপু মিলিটরিনা শৌগৎতুনা লাক্লি। মহাক মশানা তানা মতম পূন্নমক্তা মিলিটরি কেন্দিদেট অমা ওইরকখি হায়না হান্নগী হোম সেক্রেটরী অমা ওইরিবা আর কে সিংহনা হায়খি।

মহাক্না হায়, পাকিস্তানগী ইলেক্সনশিং অদু রিগ্লিং তৌখি। ৱাফম অসি লৈবাক অদুগী পোলিটিকেল পার্টি অমসুং ওবজাভরশিংনসু হায়খ্রবনি।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শারিফপু শক্তিং পায়বদগী তান্থোকখিবা অদুসু পাকিস্তান মিলিটরিগী খুজিন থৌরাংনি। অদুগা মহাকপু মচানুপীগা লোয়ননা মীখল অসিগী মমাঙদা জেলদা থমজিনখিবনি হায়না ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর আর কে সিংহনা মখা তাখি।

ইন্দিয়াদা চত্থগদবা পাকিস্তানগী পোলিসিদা ঐনা অহোংবা অমত্তা উবা ঙমদে। ঙমখৈ লান্না চত্থবা টেরোরিজমগী থবক মখা চত্থরকখিগনি অসিগুম্বা পোলিসিশিং অসিগী মতাংদা পাকিস্তান মিলিটরিনা ৱারেপ লৌই হায়খি।

মশাগী চহী ৬৫ শুরবা ইম্রান খানগী পার্টি পি টি আই না মেজোরিটি ফংগদবা খরা ৱাৎলবসু সিঙ্গল লার্জেস পার্টি ওইরবনা পাকিস্তানগী মথংগী প্রাইম মিনিষ্টর অদু মহাক্না ওইরকপা য়ারি।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শারিফকী পার্টি পাকিস্তান মুস্লিম লিগ–নৱাজ (পি এম এল–এন) অমসুং অতৈ পার্টি কয়ামরুমনা ইলেক্সন ফলশিং অসিগী মতাংদা ৱাহং হংলকখ্রে অমসুং ইম্রান খানগী মীচঙদা আর্মিনা ভোট–রিগ্লিং তৌখি হায়না মরাল শীখ্রে।

পাকিস্তানদা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টিগী লুচিংবা অমসুং মথংগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপা য়ারিবা ইম্রান খাননা মাগী পার্টিনা মীখলদা মায় পাকখিবগী মতূংদা মীয়ামদা পীবা মহাক্কী ৱারোলদা পাকিস্তান্না ইন্দিয়াগা লৈনরিবা মরীশিং হেন্না ফগৎহন্নবা থৌরাং তৌরে হায়খি।

মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা মরু ওইবা কাশ্মীরগী ৱাথোক অসি য়াওনা য়েৎনরিবা পূন্নমক নাকল অনীগী লুচিংবশিংনা শন্তাইনগনি খল্লি। করিগুম্বা মখোয়না ঐখোয়রোমদা খোঙথাং অমা থাংজিল্লকপা তারবদি ঐখোয়না খোঙথাং অনী থাংগনি, অদুবু য়ামদ্রবদা ঐখোয়না হৌবা অমা মথৌ তারি হায়না ইম্রান খাননা হায়খি।

# পাকিস্তানদা ইম্রান খাননা মায় পাক্লে অদুবু গভর্ণমেন্ট শেন্নবগীদমক্তি কোলিসন মথৌ তারি

***ইস্লামাবাদ, জুলাই ২৭ ঃ***
পাকিস্তানদা সিবিলিয়ান গভর্ণমেন্ট অমা খন্নবগী ইতিহাসিক ওইরবা থংন–থংননা অহুন্নক শুবা মীখলদা হান্নগী ক্রিকেট ষ্টার ইম্রান খানগী পার্টিনা মায় পাক্লে হায়না পাকিস্তানগী ইলেক্সন কম্মিসন্না ঙসি ইরাই নুমিত্তা লাওথোকখ্রে। অদুবু মহাক্না চপ চাবা মেজোরিটি অমা ফংবদি ঙমখিদ্রে। মরম অদুনা গভর্ণমেন্ট শেন্নবগীদমক মহাক্না শোয়দমক কোলিসন অমা মথৌ তারি।

নুমিৎ নীনি চঙনা তপ্পা ভোট মশীং থিখিবা অদুগী মতূংদা খানগী পাকিস্তান টেহরীক–ই–ইনসাফ (পি টি আই) পার্টিনা মীখল পাঙথোকখিবা নেস্নেল এসেমব্লিগী সিট ২৬৯ গী মনুংদা ১০৯ ফংখি।

মহাক্কী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা শাহবাজ শারিফকী পাকিস্তান মুস্লিম লিগনা সিট ৬৩ ফংখি। হৌজিক জেলদা লৈরিবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শারিফকী পার্টি অসিবু লুচিংলিবা শাহবাজ শারিফনা হন্দক পাঙথোকখিবা মীখল অদু পাক চাওনা অরানবা তৌখি। ভোট রিগ্লিং তৌখি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা মীখলগী ফলশিং অদু য়াখিদে।

বৃটিশকী পার্লিয়ামেন্টরি সিষ্টেমগী মোদেল লৌদুনা লৈঙাক্লিবা পাকিস্তানদা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা ভোটরশিংনা লৈবাক অসিগী নেস্নেল এসেমব্লি অমসুং প্রোভিন্স মরিগী এসেমব্লিশিংগী লোমেকরশিং খনখি।

ইন্দিপেন্দেন্টশিং অমসুং এলাইশিং অনীমক্তা মীৎয়েং থমদুনা কোলিসন অমা শেন্নবগী থবক হান্না চত্থবা হৌখ্রে। অদুবু থবক অসি নুমিৎ কয়ানিরোম চঙলবা য়াই হায়না ইম্রান খান পার্টিগী ৱাঙাংলোই ফৱাদ চৌধ্রিনা হায়খি।



মীখল মায় পাক্লে হায়বদু লাওথোক্লদুনা লৈবাক মীয়ামদা মহাক্কী অহানবা ৱারোলদা মশাগী চহী ৬৫ শুরবা ইম্রান খাননা ঙরাং শগোলশেন নুমিত্তা হায়খি, ঙসি নখোয়গী মমাঙদা, পাকিস্তান মীয়ামগী মমাঙদা মমাঙদা অমুক্তা চল্লাইবা উখিদ্রবা মওং অমদা ঐনা পাকিস্তানগী লৈঙাক পুগনি। মহাক্না থবক অমত্তা তৌদবনি হায়বা ইন্সটিট্যুসনশিংবু মপাঙ্গল কনখৎহনগনি, করপসন মুখৎকনি অমসুং ইকায়খূন্নবা অমসুং চপ মান্নবগী য়ূম্ফমদা লৈবাক অমগা অমগগী লৈনবা মরী পুরক্কুনা লৈবাক্কী ঈজৎ হেনগৎহনগনি হায়না মহাক্না ৱাশকখি।

নেস্নেল এসেমব্লি মীখল অদুদা পাকিস্টা পিপলস পার্টি (পি পি পি) না সিট ৩৯ ফংদুনা অহুমশুবা তাখি। হৌজিক সিট ২০ গী ফল ঙাইরি অদুবু মসিদগী থোক্লকপা ফল অদুনা হৌজিক লৈরিবা ফিভমদা করিসু অহোংবা লৈরোই।

মীখলগী ফলশিং য়ানিংদে হায়খিবা শাহবাজ শারিফনা পাকিস্তানগী খ্বাইদগী শক্তি লৈবা পঞ্জাব প্রোভিন্সকী সিটশিংগী মেজোরিটি ফংখ্রে। প্রোভিন্সিয়েল পার্লিয়ামেন্টকী সিট ২৯৭ কী মনুংদা মহাক্কী পার্টিনা ১২৭ ফংখ্রে। ইম্রান খানগী পার্টিনা ১৭৭ ফংখি।

পাকিস্তানদা আইন্না অথিংবা থমখ্রবা লাস্কর–ই–তাইবা না থাগৎখিবা কেন্দিদেট ২৬৫ গী মনুংদা অমত্তা মায় পাকখিদে। কেন্দিটেশিং অদুগী মনুংদা মহাক হাৎপা ঙমবদা দোল্লর মিল্লিয়ন ১০ পীগনি হায়না য়ু এস না লাওথোক্লিবা টেরোরিষ্ট হাফিজ সায়ীদকী মচানুপা য়াওরি। লাস্কর–ই–তাইবা অসিদি অথিংবা থম্বা মরমদগী কেন্দিদেটশিং অদুনা মীয়ান্না থোইনা খঙনদবা অল্লাহ–ও–অকবর টেহরীক পার্টিগী মমিংদা কেম্পেন তৌখি।

# ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা টেলিকোম ফার্ম ওইরক্নবা সেন্টরনা ভোদাফোন–আইদিয়া পুনশিন্নবা অয়াবা পীখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৭ ঃ***
গভর্ণমেন্টনা ভোদাফোন ইন্দিয়া অমসুং আইদিয়া সেল্লুলারদা পুনশিন্নবগী অয়াবা পীখ্রে। অনী অসি পুনশিল্লবদি চাদা ৩৫ গী মার্কেট সিয়ার লৈবগা লোয়ননা দোল্লর বিল্লিয়ন ২৩ হেনবগী অপুনবা এসেটস লৈবা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা মোবাইল ফোন ওপরেটর অদু ওইরগনি হায়না মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ টেলিকম্ম্যুনিকেসন (দি ও টি) না খঙহনখিবগী মতূং ইন্না ফার্ম অনী অসিনা ৱান–টাইম স্পেক্ত্রুম চার্জ ওইনা লুপা ক্রোর ৭,২৪৮.৭৮ পীখ্রবা মতূংদা দি ও টি না পুনশিন্নবগীদমক অয়াবা পীখিবনি হায়না সেনিয়ার গভর্ণমেন্ট ওফিসিয়েল অমনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

অচৌবা পুনশিন্নবগী টিম অদুগী অয়াবা পীখ্রে হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা টেলিকোম সেক্রেটরী অরুনা সুন্দরারঞ্জননা ফোঙদোকপদা পুনশিন্নরবা মতূংদা মোইবাইল টেলিফোন মার্কেট অসি তংদু লৈতারগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা আশা তৌই হায়খি।

অকনবা প্রাইভেট সেক্তর প্লেয়ার অহুম হৌরকখিবা অমসুং পব্লিক সেক্তর প্লেয়ার অমা লৈবা অসিগী টেলিকোম সেক্তরদা মশক থোক্লা চাওখৎলগনি আশা তৌই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

হৌজিক পুনশিন্নরবা কম্পনি, ভোদাফোন আইদিয়া লিমিটেদনা পূন্না কষ্টম্মর মিল্লিয়ন ৪৩০ রোম লৈদুনা হৌজিক হৌজিক কষ্টম্মর মিল্লিয়ন ৩৪৪ লৈবা ভারতি এয়ারটেলদগী হেনখ্রগনি।

ভোদাফোন ইন্দিয়াগী আইদিয়া সেল্লুলরগা অনী পুনশিন্নবগী দিল অসি মালেমগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা টেলিকোম মার্কেট অসিদা নৌনা চঙলকখিবা রিলাইয়েন্স জিওনা মমলগী লান অমা কন্না হৌরকখিবগী তাল্লক্তনি।



***মুম্বাইদা প্রেস কনফরেন্স অমদা ইন্দিয়াগী অদিত্য বিরলা গ্রুপকী চিয়ার্মেন কুমার মঙ্গলম বিরলাগা খূৎ শোক্নরিবা ভোদাফোন গ্রুপ সি ই ও ভিট্টোরিও কোলাও (য়েৎ)***

মুম্বাইদা অদিত্য বিরলা গ্রুপ চিয়ার্মেন কুমার মঙ্গলম বিরলানা অয়াবা ফংলে হায়বদু অচুম্বনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। পুনশিল্লিবা কম্পনি অদুগী নন–একজিক্যুটিভ চিয়ার্মেন ওইগদৌরিবা মিষ্টর বিরলানা আইদিয়া সেল্লুলর অসি অদিত্য বিরলা গ্রুপকী পাকথোক চাওথোরকপা মশা অমনি হায়খি।

খ্বাইদগী ইনাকখূনবা ইন্দিয়ান মুকেশ অম্বানিগী রিলাইয়েন্স জিওনা ফ্রী ভোইস কোল অমসুং চীপ দাটা ওফর তৌবগা লোয়ননা টেলিকোম মার্কেটপু চাহৎলকখিবা অদু মায়োক্নবা ঙন্নবা ভোদাফোন ইন্দিয়া অমসুং আইদিয়া সেল্লুলরনা কুমজা ২০১৭ কী মার্চতা মেগা দিল অসি লওথোকখিবনি।

কুমার মঙ্গলম বিরলানা অনৌবা পুনশিন্নরবা কম্পনি অসিগী নন–একজিক্যুটিভ চিয়ার্মেন ওইরগনি অদুগা বালেশ শর্ম্মনা অনৌবা সি ই ও ওইরগনি। পুনশিন্নবগী থবক অসি লাক্কদৌরিবা আগষ্ট থাদা পুংলোই লোইশিনগনি হায়না য়ূমশকৈশা নুমিত্তা ভোদাফোন গ্রুপ সি ই ও ভিট্টোরিও কোলাওনা হায়খি।

# পি এম নরেন্দ্র মোদি অমসুং প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা ফগৎলক্লিবা মরীশিংগী খোঙচৎ কায়হন্দনা থন্নবা য়ান্নখ্রে



***জোহান্নেসবর্গ, জুলাই ২৭ ঃ***
ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা কুইহ্রিঙৈদা মখোয় অনী উন্নখিবদা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎলকখিবগী খোঙচৎ অদু কায়হন্দনা থন্নবা লৌখৎপা থবকশিংগী শরুক অমা ওইনা মথং থাদা চিনাগী দিফেন্স মিনিষ্টরনা ইন্দিয়াদা চৎলগনি হায়না য়ান্নখ্রে।

ব্রিক্স সম্মিট শরুক য়ানবা হৌজিক সাউথ অফ্রিকাদা লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং শগোলশেন নুমিত্তা চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংগা উন্নখি। মদু হৌখিবা এপ্রিলদা চিনাগী ৱুহান সিটিদা মখোয় অনীগী নুমিৎ নীনিগী ইনফোর্মেল সম্মিট অমসুং জুন থাদা চিনাদা পাঙথোকপা সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন সম্মিট য়াওবা চৎপদা মখোয় অনী উন্নখিবা অদুগী মতূংদা ঙরাং উন্নখিবা অদুনা থা অহুম্লোমগী মনুংদা মখোয় অনীগী অহুম্লকশুবা উন্নবনি।

চত্থরক্লিবা অফবা মরীগী খোঙচৎ অসি কায়হন্দনা থম্বা মরু ওই অমসুং মসিগীদমক ঐখোয়না ঐখোয়গী থাক্তা ঐখোয়গী লৈনরিবা মরী চাং নাইনা য়েংশিনগদবনি অমসুং মথৌ তারকপা মতমদা পীফম থোকপা পাওতাকশিং পীগদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী হৌদোকপগী ৱারোলদা চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংদা হায়খি।

মদুদা চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনসু চিনাগী ৱুহান সিটিদা মখোয় অনীগী ইনফোর্মেল ওইনা উন্নখিবা অদুগী মতূংদগী নাকল অনীগী লৈনবা মরীদা অনৌবা খোঙচৎ অমা হৌখিবা অদু মখা তানা মাঙলোমদা পুথনবা ইন্দিয়াগী নাকলগা পূন্না থবক তৌমিন্নবা থৌরাং তৌরে হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মখা তারদুনা জোহান্নেসবর্গতা উন্নরিবা অসিনা মখোয়গী হেন্না নকশিন্নবা দিভলপমেন্টেল পার্টনরসিপ মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অহেনবা খুদোংচাবা তাঞ্জা অমা পীরে হায়খি।

লুচিংবা অনী উন্নখিবগী মতাংদা পাউমীশিংদা চাওরাকপা পাউদম পীরদুনা ফোরেন সেক্রেটরী বিজয় গোখলেনা লুচিংবা অনীনা লৈবাক অনীগী মিলিটরিশিংগী মরক্তা ঈ–পাউ ফাওদোক্নবা হেনগৎহন্নবা মখোয়দা মথৌ তাবা পাউতাক পীনবগী ৱাফম অদু অমুক্কা হেন্না চেৎশিনহল্লে লোয়ননা ঙমখৈগী লমদমশিংদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা ঙাক্তুনা থন্নবসু অমুক্কা হন্না য়ান্নরে হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা স্পিসিয়েল রিপ্রজেন্টেটিভ–লেভেল বাউন্দরি টোক্সকীদমক চহী অসিদা চিনাদা নেস্নেল সেক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোভল থানবা মহাক্কী অনীবা ৱাফম অদু ফোঙদোকখি হায়রি।

সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন সম্মিট শরুক য়াবদা চিনাগী কিংদাওদা নাকল অনীমক্না চিনাগী দিফেন্স অমসুং পব্লিক সেক্যুরিটিগী মিনিষ্টরশিং চহী অসিদা ইন্দিয়াদা চৎনবগীসু য়ান্নখ্রবনি হায়না ফোরেন সেক্রেটরীনা মখা তাখি।

ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারামননা বার্ত্তন তৌরকপদগী চিনাগী ষ্টেট কাউন্সিল অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর জেনরেল ৱৈ ফেংহেনা ইন্দিয়াদা মরুপ মপাং ওইবগী ওফিসিয়েল ওইবা খোঙচৎ চৎনবা থৌরাং তৌরি হায়খি।

অমরেমদা ইন্দিয়াগী ট্রেদ দিলিগেসন অমসু আগষ্ট ১ অমসুং ২ দা চিনাদা চৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিং অমসুং ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চহী অসিগী অরোইবদা অর্জেন্টিনাদা পাঙথোক্কদবা জি ২০ সম্মিট য়াওবা চৎপদা অমুক্কা হন্না উন্নগনি।

GAS TODAY
Mahalakshmi Indane
Booking : 09/06/18
Sl. No. 221701
Valid : 03/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

# গেংষ্টর অবু সালেমনা 'সঞ্জু' মুভি মেকরশিংগী মথক্তা লিগেল নোটিশ থাখ্রে




***মুম্বাই, জুলাই ২৭ ঃ***
গেংষ্টর অবু সালেমনা সঞ্জু কৌবা মুভি অদুদা মহাক্কী মরমদা অরানবা ৱাফম কয়া উৎপগীদমক মুভি অদু পুথোকপশিংগী মথক্তা লিগেল নোটিশ অমা থাখ্রে হায়রি।

অবু সালেমবু মিংচৎ থিহনবা মুভি অদুদা য়াওরিবা সিনশিং লৌথোক্নবগী দিমান্দ তৌদুনা গেংষ্টর অদুগী উকিলনা রাজ কুমার হিরানি, বিধু বিনোদ চোপ্রা, দিষ্ট্রিব্যুটরশিং অমসুং মরী লৈনবা প্রদক্সন কম্পনিশিংদা নোটিশ অদু থাখ্রে।

নোটিশ অদুদা অবু সালেমনা করিগুম্বা সিনশিং অদু নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা লৌথোক্তবা তারবদি দিফেমেসন কেস থাঙ্গৎলগনি হায়নসু কিহনখি।

নোটিশ অদুদা হায়খি, অরানবা অমসুং মীনম্বনি হায়বা সিন অমগী মতাংদা সিন অদুদা রনবির কাপূর (সঞ্জয় দত্ত ওইনা শাবা) না কুমজা ১৯৯৩ দা ঐখোয়গী লৈবাক্কী অকোয়বদা থোকপা কাণ্ডলুপকী উংখৎনখিবা মতমদা খূৎশু খূৎলাইশিং পায়খি হায়বা কনফেস্নেল ষ্টেটমেন্ট পী। মদুনা ঐগী ক্লায়েন্টপু মিংচৎ থিহল্লি। ঐগী ক্লায়েন্টনা ফিল্ম অদুদা উৎলিবগুম্না সঞ্জয় দত্তদা খূৎশু খূৎলাই করিগুম্বদা পীখিবা লৈতে।

১৯৯৩ মুম্বাই ব্লাষ্ট কেসতা কনভিক্টসন ফংলবা তুংদা গেংষ্টর অসি পুন্সি চুপ্পা জেলগী চৈরাক ফংদুনা লৈরি। ২০০২ এক্সটোর্সন কেসতসু দিল্লি কোর্টনা মহাকপু চহী ৭ কী জেলগী চৈরাক পীখ্রবনি।

এক্টর সঞ্জয় দত্তগী পুন্সিদা য়ূম্ফম ওইবা ফিল্ম 'সঞ্জু' হৌখিবা জুন ২৯ দা রিলিজ তৌখি।

# এক্সটোর্সন মনি পীয়ু য়াদবগীদমক কাপ্তুনা মচীন মনাও ২ হাৎলম্লে

***প্রতাপগর, জুলাই ২৭ ঃ***
উত্তর প্রদেশকী প্রতাপগরদা এক্সটোর্সনগী শেনফম পীয়ু হায়বা য়াদবগীদমক ললোন ইতিক তৌবা মচিন–মনাও অনীবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎতোক্লম্লে।

ললোন ইতিক তৌবা মীওই অনী অদুদি শ্যামসুন্দর জৈসৱাল (৫৫) অমসুং শ্যাম মুরাট জৈসৱাল (৪৮) কৌই। মখোয়বু অনীবু ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ লোম তাবদা মোতোরসাইকল তোংদুনা লাকপা শকখঙদবা মীওই অনীনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোক্লি।

এক্সটোর্সন মনি পীয়ু হায়বা য়াদবগীদমক নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লবা মীওই অনী অদুগী মফমদা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা ঙসি অৱাবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী ইমুংশিংদা লুপা লাক্ষ ১০/ ১০ কম্পেন্সেসন পীগনি হায়দুনা লাওথোকখ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা মচিন–মনাও অনী অসিদা টেলিফোনদা য়াল্লবা শেনফম পীনবা দিমান্দ তৌরকখি হায়না মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা হায়খি।

থৌদোক অদুদা মীশিং–নাশিংনা মথৌ পাঙথোক্তবগীদমক কোহানদৌর পুলিস ষ্টেসনগী ষ্টেসন হাউস ওফিসার (এস ঐচ ও) নেগেন্দ্র সিংহ নগর সস্পেন্দ তৌখ্রে।

# ট্রক ওপরেটরশিংগী ষ্ট্রাইকনা লুপা ক্রোর ৫০,০০০ হেন্না মাঙহনখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৭ ঃ***
ট্রক ওপরেটরশিংনা চত্থরিবা লৈবাক শিন–থুংবা ষ্ট্রাইক অসিনা হকথেংননা অমসুং হকথেংনদনা লুপা ক্রোর ৫০,০০০ হেনবগী শেনফম মাঙহল্লে। ফিভম অসিদা নিগোসিয়েসন তৌদুনা গভর্ণমেন্ট অমসুং ট্রান্সপোর্টরশিংনা ওন্থোক–ওনশিন শন্তাইনগদবনি হায়না ঙসি এসোচেম ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

দিজলগী মমল ৱাংখৎখিবগী মায়োক্তা, লৈবাকসিদা লৈরিবা টোল বেরিয়র পূন্নমক লৌথোক্নবা অমসুং থার্দ পার্টি ইন্সুরেন্স প্রেমিয়ম হন্থহন্নবা ট্রক্করশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখিবদগী জুলাই ২০ দগী হেন্না ট্রক লাক্ষ ৯০ রোম লম্বীদা চেনখিদ্রে।

মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেস (এম এস এম ই) না ষ্ট্রাইক অসিদা খ্বাইদগী হেন্না শোক্লবসু অতৈ সেক্তরশিংসু ইন্দিফিনিট ষ্ট্রাইক অসিগী শাফু ফংবা হৌখ্রে।

# য়ু এস কংগ্রেস্নেল পেনেলনা টিবেটকী মতাংদা মরু ওইরবা বিল পাস তৌখ্রে

***ৱাসিংতন, জুলাই ২৭ ঃ***
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরু ওইবা কংগ্রেস্নেল কম্মিটি অমা ওইরিবা হাউস জুদিসিয়ারি কম্মিটিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা টিবেটকী মতাংদা মরু ওইরবা বিল অমা মোত অমত্তা ওইনা য়ান্নদুনা পাস তৌখ্রে।

'দ রেসিপ্রোকেল এক্সেস টু টিবেট এক্ট' কৌবা বিল অসিগী মখাদা টিবেটকী মনুংদা চঙনবা হোৎনবা অমেরিকানশিংগী মথক্তা মীচঙ–মীখাই নাইবগী লীচৎ চত্থখিবগী দাইত্য ওইরিবা চিনাগী ওফিসিয়েলশিং অদু য়ু এস তা চঙবদা অথিংবা থমগনি।

য়ু এস ওফিসারশিং, জর্নেলিষ্টশিং অমসুং মীচম সিটিজনশিংবু টিবেটকী লমদমশিংদা চঙবদা অপনবা অথিংবা পীদনবা বিল অসিনা পান্দম থল্লি।

য়ু এস কী মীওইশিংবু টিবেট চঙবদা থিংঙি হায়বদু চিনাগী গভর্ণমেন্টনদি চাং নাইনা য়াখিদে।

হাউস জুদিসিয়ারি কম্মিটি চিয়ার্মেন ওইরিবা কংগ্রেসমেন বোব গুদলেট্টেনা বিল অসি থাঙ্গৎপা তশেংনমক চুম্মী হায়খি।

টিবেটকী লমদমদা মীরৈবাক মচাশিং চঙবা য়াহনবগী ৱাফম অসিদা কংগ্রেসনা ফিরেপ অমা লৌবা অসি মতম চাই হায়না মহাক্না হায়রকখি।

ইন্দিয়ান অমেরিকান কংগ্রেস নুপী প্রমিলা জয়াপালনসু ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা চাইনিজশিংনা অথিংবা য়াওদনা চঙলিবা অসিগুম্না অমেরিকানশিংনসু চপ মান্ননা চঙহনগদবনি হায়খি।

সনা–সুদোকু –১২৪০ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 8 | 9 | 3 | 7 | 1 | 5 | 6 | 2 |
| 2 | 7 | 3 | 5 | 9 | 6 | 4 | 1 | 8 |
| 1 | 5 | 6 | 8 | 4 | 2 | 3 | 7 | 9 |
| 5 | 4 | 7 | 6 | 2 | 8 | 9 | 3 | 1 |
| 3 | 9 | 1 | 4 | 5 | 7 | 2 | 8 | 6 |
| 6 | 2 | 8 | 9 | 1 | 3 | 7 | 5 | 4 |
| 9 | 1 | 5 | 7 | 8 | 4 | 6 | 2 | 3 |
| 8 | 6 | 4 | 2 | 3 | 5 | 1 | 9 | 7 |
| 7 | 3 | 2 | 1 | 6 | 9 | 8 | 4 | 5 |

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1241**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | | 7 | | | | 8 | | 2 |
| | | 5 | 3 | | 8 | | | |
| 9 | | | 6 | | | 5 | | |
| 8 | 1 | | | 9 | | | 5 | 7 |
| 2 | | | 4 | | | | | 6 |
| 5 | | | | | | | | |
| | | | 7 | 8 | 3 | | | 5 |
| | | 4 | | | | | | 3 |
| | | | | 1 | | | | |